# Discovery of Kangleipak
**(38)**
**By Wangkhemcha Chingtamlen**

## ‘মৈতৈ চৈরোওবা’ বু করম্না কনবা ঙমগনি ?

ঐখোয় মীতৈগী চহী চৈচৎ নুমিৎ থা পাবা (Era) অসি কংলৈ পুয়াগী মতুং ইন্না মলিয়াফম পালচা নিংথৌগী মতমদা হৌই হায়বসি কংলৈপাক্কী চেফোং (daily paper) কয়াদা শিজিন্নবত্র নত্তনা, মী পুম্নমক্না খঙনরবা ৱাফমনি। হুইয়েন লানপাউ চেফোংগী মতুং ইন্না হায়বা তরবদি ‘ইরায়, শজিবুগী নোংমা পান্বা, মালিয়া কুমশিং ৩৪০৯’ হায়না কুমসিগী শজিবু মৈতৈ চৈরোওববু ইরি। মসিনা তকপদি মীতৈগী কুমহৌবা নত্রগা চহী হৌবনা খৃষ্টান চহীদগী চহী ১৩৯৭(৩৪০৯-২০১২) হাল্লি হায়বা অশেংবা তকপনি।

মীতৈগী কংলৈ নিংথৌ মলিয়াফম পালচা হায়বা নিংথৌ অসি কোনচিন তুক্থাপা ঈপু অথৌপা পাখঙ্গা গী মশু, ঈপুথৌ পাখঙ্গাদগী পারগা মরিশুবা নিংথৌ, অনিশুবা শুথাং, সালাই লৈশাংথেমগী পরিংদা পোকপা নিংথৌনি।

কংলৈ  মীতৈগী মীয়াম্না খৃ: মমাং চহী ১৩৯৭দা Era পুথোক্তুনা কংলৈ মীয়াম্না ৱাংলবা খুন্নাই অমা ওইদুনা পান্নখ্রববু খৃ: ১৭৫৯ - ১৭৯৮ দা কংলৈপাক্ত মিপাই-থাবাইনা পাল্লম্বা হিন্দু নিংথৌ ভাগ্যাচন্দ্রনা কংলৈপাকত্র ‘চৈরোওবা’, চহী হৌবা করম্না ত্মীগদৌরিবনো?

**মীতৈ মীয়াম পঙথবীগনু**
‘চৈরোওবা’, চৈলোওবনা করম্না মীতৈগী চৈহী হৌবা, কুমহৌবগী মহুৎ শিনগদৌরিবনো, নোক্লিংবা ৱানি।

**‘চৈরোওবা’, ‘চৈলোওবা’ হায়বসিগী মত্রংদা**
মীতৈইপা ইপুশিংনা কুমহৌবা নত্রগা চহী হৌবা হায়দনা ‘চৈলোওবা’ নত্রগা ‘শজিবু চৈরোওবা’ হায়রমলিবা অসিগী ৱাহন্থোক লৈ।

ওজা সাইরেম নীলবীরনা হুইয়েন লানপাওদা তং ২৩/৩/১২ দা অসুম্না ইরকই - ‘(মত্রেন্দা শরিক য়ান্বা চৈ অসি লৈবাক নিংথৌগী মত্তিক মঙ্গ শত্তক খুদম চৈনি)’
চৈ মত্রেন্দা শরিক য়াল্লগা শগোল ত্রেংদুনা পানা মরিগী লৈরক খুল্লকত্র ‘ঙসিদগী হৌনা অনৌবা চহি অমা হৌরে’ হায়না লাউই হায়বা ঐখোয়না খঙল্লিবা ‘চৈয়াওদনা অত্রেপ্পা মওংদা লাউবা য়াদ্রা, কিহন্বগী মওং নত্রা’ অসিগা ওজা সাইরেম নীলবীরগী ৱারেংদা ‘চৈনা’ ‘লৈবাক নিংথৌগী মত্তিক মঙ্গ’ তকপনি হায়বসিগা পুন্না পামিন্নবদা চৈগো কোন্ননা লাউবসি কিহনবনি হায়বসি তশেংনা খঙই। কিহনবগা লোইননা, মীয়াম্না য়ানিংদবা চহী হৌবগী মওং অমা পুশিল্লকপসি খঙই। কোন্থোংদা চাক কংহনবা অসিসু

‘চৈরাওবা’ চৎথবা মী মশকখঙ্ডোক্লবা হোৎনবগী থবক্নি। চহী হৌবগা ক্নেম্নোংদা চকপুথোকপগা মরি শুক্নলে লৈনদে। মীতৈগীদি ৱাক্লিংদা চহী হৌই।

পোল্লক্লদৌরিবা অঙাং অদুগী মরম্না মপাদা থা অনি লৈ, মসিবু মপানা নাওপুবা কৌই। অহানবা থাদা নুপা অদুগী ৱাক্নেন, ৱাক্নেনপুঙ অমসুং ক্নেনচীং (ক্নেক মনুং) দা লৈ। ৱাক্নেন, ৱাক্নেনপুঙ অমসুং ক্নেনচীং হায়বা হায়বা ৱাহৈশিং অসিদগী মীতৈগী অহানবা থাবু ৱাক্লিং কৌই।

ৱাক্নেন চীংদা লৈরম্মা তঈবং মরম্না তঈবং ওন্নবগী মপুঙফানা চওরক্লুমা মমাদা চৎননবগী শেম শাদুনা ফাইদুনা লৈরকপা থাগী মমিংবু ফাইরেল কৌই। মতম অসিদা মপা ওইগদবা নুপা অদুগী মমিৎ নাহা অনি লোঙ্ই। ‘ফাইলেল’ থা কৌই, মীতৈগী অনিশুবা থানি।

পুয়ানা মীগী মশাবু ‘লৈপাকঅহিঙ্গী’ কৌই। অঙাং মরু অদুনা নুপীগী মশাদা লাকপা, তরকপবু লমদা তরে ‘লমতা’ থা কৌই। মীতৈগী অহুমশুবা থানি।

হৌজিক্লী ‘শজিবু’ হায়রিবা ৱাহৈ অসি মীতৈগী অশেংবা ৱাহৈ ‘সাচিফু’ হায়বা ৱাহৈদগী ওল্লকপনি, হিন্দু মতঅদা ওল্লকপনি। সাচিফু হায়বগী ৱাহন্থোক্নতি, সাচিফু = সা + চি + ফু হায়বদি সা, হকচাং, মীওইবা ওইরক্লদৌরিবা মহী (Semen with sperm )+ চি হায়বদি চীশিল্লকপা মনুংদা চৎলকপা + ফু হায়বদি মফম অসিদা ফু হায়রিবা অসি চফু, মফম অসিদা নুপীগী ‘চলোৎ’ (womb) বুনি।

মীতৈগী অহুমশুবা থা লমতাদা নুপাদগী অঙাং মরুয়াওবা মহী অদুনা লৈপাকঅহিঙ্গীদা ইচই চইনা তই। তরিবা মহী অদুদগী ‘তিললাং’ অমনা নুপীদগী ovum গা তিন্নরবা মতুংদা, থা তরামুকমমাগী ‘চলোৎ’ তা মী ওন্নবা লৈনবা চৎশিল্লকই। মসিবু কংলৈ মীতৌ সাচিফু থা কৌই।

মীতৈগী থাচৎলোনগী মমিংদি মীশেম (Embryology ) দগী থোল্লি। য়ারবদি, http://www.PaochelKangleipak.net তা Discovery of Kangleipak (32) য়েংবিয়ু।

মীতৈগীদি চহীদি ৱাক্নচি থাদগী হৌই হায়বসি মীতৈগী থা ১২গী ৱাহৌলোন, ৱাহৈ থোল্লকপগী ৱাহন্থোক (Etymology) নসু তকই। সাচিফু থাদি মীতৈগী মরিশুবা থানি। সাচিফু (শজিবু) চহী, কুম হৌবা সুকয়া য়াদে।

ৱাক্নেকলোন হীলেল থিলেল সালাই অমা-ইলোন পুক্নেকপুয়াবু শিন্দোল্লম্মা অঙেম চওপনা মহাক্না শিনে দাল্লম্মগী ৱারোলদা অসুম্না ইরি-“*চৈহিগী কুমহৌ অহানপা নুমিত্তগী সিনথোকপা হৌপনা নুমিৎ ১৫নি চঙ্না ৱাক্লিংগী থানিনতা লোইয়ে।।*”

মথক্লী চওপানা হায়রমলিবা অসিনা হায়রিবদি, চহীগী অহৌপা নুমিত্তগী শিন্দোকপা হৌবনা নুমিৎ ১৫নি চঙ্না ৱাক্লিংগী থানিন (পুরনিমা ) দা লোই হায়বনি।

মসিনা ১৮শুবা চহীচাগী অইবা খুদম অমা ওইনা, মীতৈদি চৈহি (চহী), কুমদি ৱাক্সিংদা হৌই হায়রবনি। শজিবু (সাচ্চিু) নত্তেহায়না শেংনা তক্লবনি। মখাগী মৈতৈ গী, হিন্দুগী 'শজিবু চৈরোওবা' গী সেরান তুরান তৌরিবা অসি য়েংবিয়ুঃ
'গুরিয়ান্বম কুলচন্দ্র সিংহ, পণ্ডিত লোইশং, স্নাক্কেনুং' না ইরম্বা, ১৯৬৯দা ফোংবা কংলৈ নিংথৌ চহী লাইরিকত লামাই ২/৩ দা ইরম্লিবা অসি য়েংবিয়ুঃ

***'মথেল লুকোই মশিং য়াম্না থোংলগা থোঙ্গাল খুদিংগী খরা ফান্দোক্লা, ৱাই নিংথিনা তৈথোক্লগা হৈরক পানা থাওমৈ শেল নুমিৎ অদুগী থোংখিবা চলুক৩ শেমদুনা কংলি, ... কংলিবা থোঙ্গান্দা থারিবা চকলুক অমত্র কংপসু য়াওই। অদুগা চকলুক অহুম কংলিবা অসিদি ওনখিবা চহিদা চৈরোওখিবা নুমিৎ অদুগী অমা, কুমশি চহিগী চৈরোওরিবা নুমিৎ অদুগী অমা, নোংমৈগী চৈরোওগদবা নুমিৎ অদুগী অমা, হা য় রিবা নুমিৎ অহুম অসিগীদমক্ত কংলগা, লুকখুন্না ইরমমাবা তুমাবা, ইরম শেন্না তুশেন্বা, কুমসনা কুমলিকলাই। অরেম্বনা হনুবা কোকপ্রওনে, হননু লৈখমনে, খুন্দাহন্বনে অসুম্মক্লা ফংজৈএ।'***

মথক্কী চৈরোওবদা কোন্থোংদা থাদোকপগী থৌরমদা তৌরিবা পুম্নমকসে খংদবনা য়েংলবা, তরবদি চুম্বাই নিংলম্বা য়াই, অদুবু অখংবা মী অমনা মুন্না য়েংলবা, তরবদি চওখত্তবা মপুকশেংদবা মী কাংবু অমনা অত্রেপ্পা মীওইবা কাংবু অমদা তৌবা হৌনদবা তৌবা, লমচৎ চৎপা অদু শেংনা উই।

মথকত্র চকলুকঅহুম অদুবু কংলিবা হায়রিবা লাই অহুম অদুদিঃ (১) ইরম মাবা তুমাবা (২) ইরম শেন্না তুশেন্বা (৩) কুমসনা কুমলিকলাই নি। খংদবা মীনা য়েংবা তবা মতমদদি অহুমসি লাই ওইরবোই নিংবা য়াই। অদুবু (১) গী হিন্দু চৈরোওবগী লাই 'ইরম মাবা তুমাবা' হায়বা অসিদা য়াওরিবা ৱাহৈ অহুম - ইরম + মাবা + তুমাবা ৱাহৈশিং অসিগী ৱাহৈগী হৌরকফম নৈনদুনা য়েংসি।: ইরম হায়বদি ইলম হায়বদি ঈশিং লম্বি, মাবা হায়বদি খুৎনা শোক্লগা নান্বা নত্রগা তপ্লা তপ্লা পাইবা, তুমাবা হায়বসি মাবা হায়বদুগা মান্নৈ। ইরম হায়বসি কনাগুম্বনা অহান্বগী ই অসি ঈশিং নত্তেঈ (blood) নি হায়না য়েৎলকপা য়াই। অদু ওইরবদি মৈতৈচৈরোওবগী লাই 'ইরম মাবা তুমাবা' হায়বা লাই অসিবু খোংবানগুম্না শেংবা লাইরা নত্রগা মীগী মশাদা পুক্লাকশুবা লাই ওইবা তই।

অনিশুবা লাই 'ইরম শেন্না তুশেন্বা' হায়বা অসিগীসু থোইনা হায়নিংগুই লৈতে। মসিবু চৈকিন্দারগুম্বা ইরম খোংলম শেন্নবা লাই ওইবা য়াই।

অহুমশুবা লাই 'কুমসনা কুমলিকলাই' হায়বা ৱাহৈ অনি অসিদা য়াওরিবা 'কুম' হায়বা ৱাহৈ/concept অসিগী ৱাহন্থোকতি হৌজিক্কী মতমদা চহী হায়রিবা ৱাহৈ অদুনি, করিগুম্না মতমদা অরিবা লোন্দ 'চৈহি' হায়নসু শিজিন্নৈ।

কুমসনা হায়বনা অরিবা লোন্দা চহী শন্দোকপা হায়বনি অদুগা কুমলিক লাই হায়বনা নোং চুবা নোং লিকপা চহীগী লাই হায়বনি, অসিগুম্না চহীদা নোং চুবা 'নোং লাউবা' হায়বা থৌরমসু চৎথরমই।

মফম মরাং খংদনা হৌরকপা মানবা ৱাহৈশিং অসিনা করম্না 'মৈতৈ চৈরোওবগী' লাইশিং ওইরকখিবনো? খনবদা মমই।

কংলৈচ মীতৈশিংগী লুখাকপীজে হাররিবা লাই অহুম অসিগী ৱাহন্থোক হৌরকফম অমুক য়েংবিয়ু:

(১) হনুবা কোকচও - তেংপানপা শেম্বা মপু মহাক অদু তইপঙ্গানপা অসি মহাক্না শেম্বনিনা, তইপঙ্গানপা অসি লৈত্রিঙৈগী মমাংদা মহাক্না লৈরম্বনা, তইপঙ্গানপাগী থৌৱাই পানবা পুম্নমক্কী মহাক্না ইহল হল্লি হায়দুনা মহাকপু কংলৈচ ত্রৈখোয়না 'হনুপা', হনুবা হায়না কৌই। তেংপানপা, তিংপানপা পুম্নমক্ত লৈরিবা অচৎ-চৎত পুম্নমক মহাক্কী নুঙ্গপুঙ ৱাখলদগীবু শেম্নকপনা, পুথোরকপনা (মহাক্কী কোক্কী থোল্লকপনা) পুম্নমক অসি তইপঙ কমাগী কোকত খনবা ঙমদবনা, খ্বাইদগী পাকচওনা খনবা ঙম্বা কোকপাল্লি হায়বদগী মহাক্কী কোকপু 'কোকচও' কৌই। মরম অসিনা 'হনুবা কোকচও' হায়বদি তইপঙ শেম্বা মপু মহাকপু হায়বনি।

(২) হননু লৈখম - হিন্দুগী মতমদা 'হননু লৈখম' নত্রগা 'হনুবা লৈখম' হায়বদা য়াওরিবা 'লৈখম' হায়বা ৱাহৈসি 'লাইখম' হায়বনি, হিন্দুগী মতমদা 'লৈখম' হায়না শেমদোকখিবনি। ৱাহন্থোকতি- লাই অখম্বা, লাই অরোইবা, তেংপালপা, তিংপালপা মপু (**Universal Lord Creator**) হায়বনি।

(৩) খুন্দাহন্বা - মীওইবা তইপঙ্গা মপুনা মখোয়বু শেম্নবা মতুংদা, তইপঙ্গালপদা মখোয়না ইহাল হান্না মচ মশু পোতম্না পাল্লকপবু খুন্দাবা নত্রগা খুন্থোকপা কৌই। তইপঙ্গানবদা তইপঙ মীওইবনা খুন্থোক খুন্দাদ্রিঙৈদো, মপু মহাক্না মখোয়বু শেম্নগা খুন্থোক খুন্দাহল্লকপা মরমনা, তইপঙ শেম্বা মপু মহাকপু কংলৈচশিংনা 'খুনত হনবা' খুন্দাহনবা হায়না খুরম্নৈ। খুন্থোক খুন্দাবদগী মহাক্না হল্লি, হাল্লি হায়বনি।

মথক্কী লাই অহুম অসি মালেমগী খ্বাইদগী লিরবা কংলৈচশিংগী লাইশিংনি। চহী মশিং খংদনা কংলৈচশিংনা খুরম্মদুনা লাক্লবা লাইশিংনি। 'খুন্দাহনবা' লাই অসিগা য়াম্না ৱাহন্থোক নক্লবা লাই অমনা 'মোংবাহনবা' লাই অসিনি।

চহী লিশিং কয়া কংলৈচশিংনা খুরম্মজরকপা লাইশিংবু, ১৮শুবা, ১৯শুবা চহীচদা চংলকপা হিন্দুশিংনা, মখোয়না মফম মরাং খংদনা শেমজিন্বা লাইশিংনি হায়বা খরগী অরেম্বা লুখাকচই হায়বসি য়াম্না হন্থবা মওংগী শাজৎনি।

## A Short Note on
## নোংমা পানবা 'মৈতৈশজিবু চৈরোওবা' গী মতংদা

শজিবু নোংমা পান্বা 'মৈতৈচৈরোওবা' হায়বা থৌরম অসি পাকশন্না মীতৈ মৈতৈশিংনা চহী হৌবগী থৌরম ওইনা চৎথরকপা অসিদা য়াম্না চুম্নাই খন্নবা, ভরতকী প্রসিদেন্ট, মনিপুরগী গোভরনর, চিফ মিনিষ্টর নচিংবা, AIR নচিংবা কয়ানা থৌৰাই য়াম্না য়াওলিল্লকই। কংলৈপাক (মনিপুর) গী মীয়াম্মু আর্জনগী মচা মশুনি, কংলৈপাক অসি থাইনগী 'মনিপুর'নি থাজহনবদা থুজিন্নবা, Indianisation তৌবদা খরা লায়না থোক্লবা, Hindu গী মীহুৎশিংনা শীং য়াংশিল্লকই, কম্না কম্না মৈ হুমকংলকই।

ঐখোয়না মুন্না য়েংলি - মীতৈগী য়েলহৌঙৈগী ইমা ইমোইনু ইরাৎপনচিংবা, মনিপুরগী গোভরনরনচিংবনা করিগী অমুক্ত 'য়াইফপাউচে' পীরকত্রিবনো, অতৈগীদি পীরগা? ঐখোয় খংই।

'শজিবু চৈরোওবা', শজিবু নোংমা পানবদা চহী হৌবা থৌরম অসি কংলৈ মীতৈগী য়েলহৌঙৈগী চহীব কুম হৌবগী থৌরম সুকনৎ নত্তে। থৌরমগী মমিং অসিনসু শজিবু(সচিফ্) থাগী ৱাহন্থোক, ৱাহৌলোন অমদি অইবগী পুনসিদা থোককখিবা, থৌরম অসিগী হৌথোককখিবগী থৌথোক অদুনসু মীতৈগী য়েলহৌঙৈগী চহী হৌবগী থৌরম নত্রে হায়বা শেংনা খংই।

অইবনা অজরিবা মখাগী থৌরম/ৱাফম অসি তশেং তশেংনা থোককখিবা থৌথোক্নি।

খৃ: ১৯৭১ দা শজিবু নোংমা পানবা 'মৈতৈচৈরোওবা' গী চহী হৌবগী থৌরম অসি হৌখিবনি।

হায়রিবা মতম অসিদা, অইবনা খ্বাইদগী নক্না তিন্নজখিবা অহলশিংদি ~ (1) Friend's Talkies কী Proprietor Laishram Manaobi, (2) Mayanglambam Apabi, Keisamthong, (3) Haobam Kulabidhu, Sagolban (4) Sawaijam Ruhinikumar, Yaiskul (5) Yumnam Budhichandra, Pishumthong (6) Thokchom Thoukachanpa, Sagolban (7) Okram Nityai, Thangmeiband (8) Tokpam Thawailenpa, Hodam Leirak (নাহারোলগী মরক্ত)। ময়ামসি সনামহী চৎপা ঙাক্তনি। মথক্কী অহলশিং অসি অইবদগী চহী ১০গী মথকত্র হনবা ঙাকতনি। লোইনা লৈখিদ্রে। ঐঙোন্দগী নাহা ওইবা থৌৰাইলেনপাত্র ঙাইহৌরে।

মথক্কী অহলশিংগী মিং পরেংদা (২)দা য়াওরিবা ময়াংলম্বম অপাবী হায়রিবা অহল ইবুংঙোসি Imphal municipal গী মেম্বরসু ওইরমই।

মথক্কী মিং ইজখ্রবা অহলশিং অমসুং নাহা খরা অসি মতম অয়াম্বদা Friends Talkies Hall দা ফম্দুনা মীতৈশিংগী মরমদা খন্নদুনা মতম লেল্লি।

খৃ: ১৯৭১ গী অঙাংবা মতমদা, নুমিদাংৱাইরমগী অহলশিং অসিগী মীফম অমদা, চৈরোওবগী মতমংদা খন্ন রকপদা মথক্তা মিং পনজখ্রবা অহল ইবুংঙো ময়াংলম্বম অপাবীনা হিন্দুশিংনা শজিবু চৈরোওবা হায়রগা শজিবু ময়াইদগী চহী হৌজিন্বা অসি লাল্লি, হৌবা হায়বদি ১(অমা) দগী হৌগদবনি, শজিবু নোংমা পানবদা হৌবনা চুমই হায়না হৌদোরকখি। Hall দা অহলশিং অমদি নাহাশিং অদুনা মীফম অদুদা অহল ইবুংঙো ময়াংলম্বম অপাবীনা হৌদোরকপা ৱাফম অদু য়ানখি। য়ানখিবগী মতুং ইন্না ১৯৭১ গী চৈরোওবদি শজিবু নোংমা পানবদা পাংথোক্লগনি হায়না লেপ্পখি।

লেপ্পখিবগী মতুং ইন্না ১৯৭১ গী শজিবু নোংমা পানবগী নুংথিল পুং ৩ লোম তবদা অহল ইবুংঙো লাইশ্রম মনাওবীনা লুচিংলদুনা অহল নাহা নুপা নুপী কয়ানা Band Party য়াওনা Mike না ‘ঙসিদগী চহী হৌরে’ হায়দুনা লাউরি লাউরিদুনা চৈরোওচিং কররকখি। চিংদোন্দা থাবলসু চেংখি। মথকত্র মিং পনজখ্রবা তেকপম থৌৱাইলেনপা মশামকথাবল চেংবা য়াওই, নুমিৎ অদুদা শিজিন্নখিবা Mike অদু মহাক্না ৱাইখিবনি হায়না অইবদা নিংশিংবিরকই।

মতৌ অসুন্না শজিবু নোংমা পানবা মৈতৈ চৈরোওবা অসিদি ১৯৭১ দা হৌদোকখিবনি। মীতৈগী য়েলহৌঙৈগী চহী/কুম হৌবগী থৌরম নত্তে।